
## ভেক্সিন মেন্দেট ইন্দবা ইমপ্লোয়ী ১,৪০০ থবক তৎখি

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
ন্যু য়োর্ক সিটিদা হৌখিবা ইরাই নুমীৎ ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন কাপখিদবা ম্যুনিসিপাল ৱার্কর ১৪০০ হেন্না থবক তৎখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিং পল্লদুনা রিপোর্ট খরনা হায়রি।

থবক তৎখ্রবশিং অদুগী মনুংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওজা অমসুং অতৈ ষ্টাফ ৯১৪, ফায়র ফাইটর ২৫, পুলিস ওফিসর ৩৬, লোকল হাউজিং ওথোরিটি ৱার্কর ১০১ অমসুং সেনিটেসন দিপার্টমেন্টকী ৱার্কর ৪০ নি। ম্যুনিসিপাল ৱার্কর অয়াম্বা থবক তৎপগী নোটিশ ফংখি। মখোয় তোলোপ পীদনা থা খরা ছুটি পীখি। মসিগী মমাঙদা ফেব্রুৱারী ১১গী দেদলাইন মতুংদা সিটি ইমপ্লোয়ী ৩০০০ রোম থবক তৎপা য়াই হায়না রিপোর্ট খরদা পনখ্রবনি। দেদলাইন অসি গভর্ণমেন্ট ৱার্কর খূদিংমক্না মখোয় ভেক্সিন কাপ্লে হায়বা উৎনবগী অরোইবা মতমনি।

## প্রসিদেন্ট পুটিন অমসুং চান্সলর সোল্জনা য়ুক্রেনগী মতাংদা লান থোকহন্দবগী ৱাফম য়ানখ্রে

মোস্কো, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং লৈবাক অসিদা লাক্লিবা জর্মনিগী চান্সলর ওলাফ সোল্জনা য়ুক্রেনগী উংখৎনবগা মরী লৈননা লান থোকহন্দবা অমদি ক্রাইসিস অদুবু দিপ্লোমেটিক অসিগী খুত্থাংদা লৈখায় তান্নবগী ৱাফম য়ানখ্রে।



ক্রেমলিনদা ৱারী শানরবা মতুংদা সোল্জগা লোয়ননা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা পুটিননা হায়খি, লান পান্থ্রা হায়বা ৱাফমগী মতাংদা ঐখোয়না হায়নিংবদি ঐখোয় লান পামদে হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না মীপুম খূদিংমক্কী মান্নবা সিক্যুরিটি শোয়দনা লৈননবা এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্নবগী নিগোসিএসন প্রোসেস তৌননবা ঐখোয়গী মায়কৈদগী প্রপোজ তৌখি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা সোল্জনা ফোঙদোকখিবদা, নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফিরেপ রসিয়াগা খেন্নরবসু খেন্নবা ৱাফমশিং লৈখায় তান্ননবগীদমক্তা ৱারী শানবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওই। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুং শাংলবা মতমগী মনুংদা য়ুরোপনা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ক্রাইসিসশিংগী মনুংদা অমা মায়োক্নরি। য়ুক্রেনগী মতাংদা উংখৎনরিবসি য়াম্না থুনা লেপহনবা অমদি লান থোক্লকপা থিংবা মথৌ তাই হায়না জর্মন লিদর অসিনা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপতা লান অমা থোক্লকপা হায়বসি খনবদা ৱাবা ৱাফমনি হায়রদুনা সোল্জনা হায়খি মদুদি, কন্টিনেন্ট অসিদা লান থোক্লকপা থিংননবা হোৎনবা হায়বসি পুটিন অমসুং মহাক্কী মথৌনি হায়না মহাক্না লৌই। সোল্জনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা হৌজিকসু দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা খুদোংচাবা লৈরি। রসিয়ন মিলিটরি য়ুনিট খরা বোর্দরদগী হন্দাকখ্রে হায়বা তারে। মসি অফবা সাইন অমনি। রসিয়াগী সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংগী মতাংদা সোল্জনা পুটিনদা নাটো চাউথোকহনবা হায়বসি এজেন্দাদা য়াওদে হায়না থাজবা পীখি।

অদুম ওইনমক পুটিননা হায়খি মদুদি, য়ুক্রেননা নাটোদা য়াওবগী মতম য়ৈথোকপনা রসিয়াগী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং সোল্ব তৌরোই। মোস্কোনা সিক্যুরিটিগী ৱাফম অসি য়াম্না লুনা খন্নবা পাম্মী। পুটিননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়ানা প্লানগী মতুংইন্না থবক তৌগনি। লৈবাক অসিগী খোঙথাংশিং লৈরিবা খ্বাইদগী অনৌবা অশেংবা ফীভমশিংগা মরী লৈনগনি। তৌইগুম্বসুং কনামত্তনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি মাঙজৌননা করি ওইরক্কদগে হায়বা ঙম্লোই।

## য়ু এস এয়র ফোর্সনা গুৱামদা বি-৫২ বোম্মর মরি দিপ্লোয় তৌহনখ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা বি-৫২ বোম্মর মরি গুৱামদা দিপ্লোয় তৌদুনা অমেরিকানা লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগী ৱাফম লুনা লৌই হায়বসি উৎখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস পেসিফিক এয়র ফোর্সনা ফোঙদোরকপদা, বোম্মরশিং অদুগা লোয়ননা এয়র ফোর্স পর্সনেল ২২০ হেন্না পেসিফিক ঈথৎ অদুগী এন্দর্সন এয়র ফোর্স বেজদা থুংলরে। মখোয়না মীচঙশিং অমসুং পার্টনরশিংগী ট্রেনিংদা মতেং পাংগনি।



প্যোংয়াংনা হৌজিক্কী নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী অপোকপা কিম জোং-ইলগী ৮০শুবা মপোক কুমওন নুমীৎ য়ুমশকৈশা অমসুং মহাক্কী লৈখিদ্রবা মঘৌ কিম ইল-সুংগী ১১০শুবা মপোক নুমীৎ এপ্রিল ১৫গা মরী লৈননা মিলিটরি ফোর্স উৎলকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরকপগা লোয়ননা য়ু এস পেসিফিক এয়র ফোর্সনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদুগী মপোক কুমওন নুমীৎ অসি অচৌবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকপগী মমিদি উদ্রি।

নোর্থকী ষ্টেট মীদিয়ানা লৈবাক অসিগা চাইনাগা মরী ফগৎহনবগুম্বা লৈখিদ্রবা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অসিনা তৌরম্বা থবকশিংদা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিনখি। য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোরকপদা, বি-৫২ বোম্মরশিং থুংলরিবা অদুনা ইন্দো-পেসিফিক রিজনগী সিক্যুরিটিবু য়ু এসনা লুনা লৌই হায়বসি উৎলি। ঐখোয়না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি অয়েৎ-অপন লৈতবা, সিক্যুর ওইবা অমসুং তং-তাবা ফীভম লৈবা ইন্দো-পেসিফিক রিজন অমা ওইহনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তনি হায়না ৯৬শুবা এক্সপিদিসনরি বোম স্কৱাদ্রোনগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট কর্নেল ক্রিষ্টোফর কোলমেননা ফোঙদোকখি।

## টালিবান দেলিগেসনন দোহাদা গল্ফকী এনভোয়শিংগা উনখ্রে

কাবুল, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সী):
এক্টিং ফোরেন মিনিষ্টর অমির খান মুটাকিনা লুচিংবা টালিবানগী দেলিগেসন অমনা দোহাদা গল্ফ ষ্টেটশিংগী এনভোয়শিং উনদুনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

কাবুলদা লৈবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না দেলিগেসন অদুনা গল্ফ ষ্টেটশিংগী এনভোয়শিংগা লোয়ননা পোলিটিকেল অমসুং শেল-থুমগী মরীশিং অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুলোইরবা মতুংদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, নাকল অনীনা পোলিটিকেল অমসুং শেল-থুমগী ফীভম অমদি অফঘান মীয়ামদা অথুবা মতমদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংশিং পীবগী ৱাফমদা মীৎয়েং থমদুনা খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা অফঘানিষ্টানদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীবদা নত্তনা চাউখৎ থৌরাংগী মতেংসু পীনবা আপীল তৌখি। অফঘানিষ্টানগী শেল-থুমগী ফীভমদা অহোংবা লাকহনগে হায়রবদি লৈবাক অসিদা অৱাবা নংলবশিংগী মতেং পাংবদা নত্তনা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা মতেং পাংবা মথৌ তাই হায়না পার্টিসিপেন্টশিংনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, অফঘানিষ্টানদা সিবিলিয়ন অমসুং সিবিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা টার্গেট তৌদুনা চথুরিবা এট্রেকশিং দেলিগেসনগী মেম্বরশিং অমদি গল্ফ ষ্টেটশিংগী এনভোয়শিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি অমদি অফঘানিষ্টানগী টেরিটরিবু গ্রুপ নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুএলশিংনা অতৈ লৈবাকশিংগী সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহনবদা শীজিন্নবা য়াহল্লোইদবনি হায়খি। গল্ফকী এনভোয়শিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নত্তনা দেলিগেসন অদুনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন, দিপ্লোমেটিক মিসনশিংগী মীহুৎশিংগসু ৱারী শানগনি।

## রসিয়াগা উংখৎনরিবৈঙেদা য়ুক্রেনদা সাইবর এট্রেক চাউনা চথুরে

কিভ, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সী):
রসিয়াগা উংখৎনরিবৈঙে মরক্তা য়ুক্রেনগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা টার্গেট তৌদুনা সাইবর এট্রেক চাউনা চথুরক্লে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুংইন্না সাইবর এট্রেক অদুনা মরম ওইদুনা য়ুজরশিংবু মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইট শীজিন্নবা ঙমহন্দে। গভর্ণমেন্টকী মতুংইন্না য়ুক্রেনগী বেঙ্ক অনীসু ওনলাইন বেঙ্কিং সর্ভিসেস চথুবা য়াদ্রে। য়ুক্রেনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা হায়, মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইটতা দিষ্ট্রিব্যুটেদ দিনাইয়ল ওফ সর্ভিস (দি দি ও এস) এট্রেক চথুরক্লে। লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অথেংবদা মিনিষ্ট্রি অসিনা ত্বিটর পোষ্টকী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি, মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইট অদু দি দি ও এসনা এট্রেক চথুখিবগী মওং উই। সেকেন্দ অমদা রেস্ক্যুষ্ট মশীং কা হেন্না রেকোর্দ তৌখি।

সাইবর এট্রেক অদুগী মতুংদা রেগ্যুলর ফঙ্কসনশিং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা টেক্নিকেলগী ওইবা থবকশিং পাঙথোক্লি। কম্যুনিকেসনগী থবক এফ বি অমসুং ত্বিটর পেজশিংগী খুত্থাংদা চৎথে। দি দি ও এস এট্রেক অসিদা এট্রেক তৌরিবা ৱেব রিছোর্সতা রেস্ক্যুষ্ট কয়ামরুম থাই। মদুগী পান্দমদি ৱেবসাইট অদুনা রেস্ক্যুষ্ট মশীং য়াম্না হেন্দল তৌবা ঙমহন্দবা অমদি ৱেবসাইট অদুবু চুম্না থবক তৌবা থিংবনি।

বেঙ্ক অনীসু দি দি ও এস এট্রেক্কী চৈথেং নংদুনা এ টি এমশিংদা অকায়বা থোকখি। য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টকী সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক কম্যুনিকেসন্সকী মতুংইন্না প্রিভাটবেঙ্কনা অচৌবা দি দি ও এস এট্রেক অমা মায়োক্নখি। এট্রেক অদুনা পেমেন্টশিং অমসুং বেলেন্স ইনক্বারিশিং য়াওনা ওনলাইন বেঙ্কিং সর্ভিস কয়া ব্লোক তৌখি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না ওসচাদবেঙ্ককী ওনলাইন বেঙ্কিংগী ফঙ্কসনশিংসু ফেল ওইখি।

## য়েমেনদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রি কনভোয়দা টার্গেট তৌদুনা কার বোম পোকখায়হনখ্রে



অদেন, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়েমেনগী থাউ মরাং কায়না থোকপা অৱাংথংবা মারিব প্রোভিন্স লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী কনভোয় অমদা টার্গেট তৌদুনা কার বোম অদু পোকখায়খ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরক্লি।

মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকল মিলিটরি ছোর্স অদুনা ফোঙদোরকপদা, সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা য়েমেনি গভর্ণমেন্টকী মিলিটরি ট্রকশিংনা মারিবকী অল-ৱাদি দিষ্ট্রিক্টকী লম্বী ফাওরগা লাকপদা বোবী-ট্রেপ য়াওরবা কার অমা পোকখায়রকখিবনি।

ছোর্স অসিগী মতুংইন্না কার বোম পোকখায়বা অদুদা মীশি-মীনা থোকখিদ্রবসু মারিবতা লৈরিবা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী খুৎলায়শিং য়াওবা ট্রক কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখি। মালেমনা শকখঙবা য়েমেনি গভর্ণমেন্টকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসল কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদবগা লোয়ননা বোমগী এট্রেক অদুগী মতাংদা গ্রুপ নৎত্রগা অতোপ্পা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

হৌজিক মারিবতা বেজ তৌরিবা য়েমেনগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স হৌথি রেবেলশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না এট্রেক চথুদুনা লাক্লি। রেবেলশিং অসিনা থাউ অমদি গ্যাস ফিল্ড কয়ামরুম লৈরিবা মারিব প্রোভিন্স পুম্বা খুদুম চন্নবা হোৎনরকখিবনি। কুমজা ২০১৪দা হৌথি মিলিসিয়ানা য়েমেনগী অৱাংথংবা প্রোভিন্স পুম্নমক পায়শিনখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্লুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫দা য়েমেনগী মুক্নবা অদুদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন অমনা য়াওশিনদুনা প্রসিদেন্ট অবদ-রাব্বু মন্সুর হাদিগী গভর্ণমেন্টপু শৌগৎখি। মহাক অমদি মহাক্কী গভর্ণমেন্ট হৌথিশিংনা কেপিটেল সানাদগী ইন্থোকখিবনি।

## টর্কিনা সিরিয়াদা ৱাই পি জিগী মেম্বর ১০ হাৎখ্রে

অঙ্করা, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সী):
টর্কিশ সিক্যুরিটি ফোর্সনা সিরিয়াগী অৱাংথংবা শরুকতা কুর্দিশ পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিট (ৱাই পি জি)গী মেম্বর তরা হাৎখ্রে হায়না টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখিবদা, ওপরেসন য়ুফ্রেটিস সিল্ড জোনদা এট্রেক তৌনবা হোৎনখিবা ৱাই পি জি ফাইটর তরুক টর্কিশ মিলিটরিনা হাৎখ্রে। অতৈমীওইমরিসু ওপরেসন পিছ স্প্রিং এরিয়াদা এট্রেক তৌনবা শেম-শারিবৈঙেদা হাৎখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। টর্কিগী ফোর্সশিং অমসুং ৱাই পি জিগী মেম্বরশিংনা সিরিয়ন বোর্দরদা তোয়না নোংমৈ কাপ্লে।

হৌখিবা জন্যুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা টর্কিশ লাম্মী অহুম হাৎখিবদগী লমদম অদুদা টেন্সন হেনগৎলকখিবনি। টর্কিশ আর্মিনা কুমজা ২০১৬তা সিরিয়াগী অৱাংথংবা শরুক্তা ওপরেসন য়ুফ্রেটিস সিল্ড লোঞ্চ তৌখি, কুমজা ২০১৯দা ওপরেসন পিছ স্প্রিং লোঞ্চ তৌখি অমসুং কুমজা ২০২০না ওপরেসন পিছ স্প্রিং সিল্ড লোঞ্চ তৌখি।

অঙ্করানা ৱাই পি জি অসি অথিংবা থমখ্রবা কুর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি (পি কে কে)গী সিরিয়াদা লৈবা ব্রাঞ্চনি হায়না লৌই। পি কে কে অসি টর্কি, য়ু এস অমসুং ঈ য়ুনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখি। গ্রুপ অসিনা চহী ৩০ হেন্না টর্কিশ গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লান থোরকখিবদা মীওই লিশিং ৪০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রবনি।

## মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদবগী প্রোব্লেম থেংননবা দোল্লর মিলিয়ন ৭কী আপীল তৌখ্রে

মোগাদিসু, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদ্রবা সোমালিয়াগী অঙাং মিলিয়ন ১.৪গী য়েংলগা মার্চ থা লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা দোল্লর মিলিয়ন ৭কী মতেং পীরক্নবা য়ু এন চিলদ্রেন্স ফন্দ (য়ুনিসেফ)না মালেমগী লৈবাকশিংদা আপীল তৌখ্রে।



য়ুনিসেফনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, শেনফম অদু চীঞ্জাক ৱাৎপা নৎত্রগা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদবগী অরুবা ফীভম মায়োক্নরিবা অঙাংশিংগী ট্রিটমেন্টতা শীজিন্নগদবা রেদি-টু-য়ুজ থেরাপ্যুটিক ফুদস (আর য়ু টি এফ) কার্টন ১০৪,০০০ লৈবদা শীজিন্নগনি। সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুদা ইস্যু তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুনিসেফকী রিপ্রজেন্টেটিভ এঞ্জেলা কের্নিনা হায়খি মদুদি, মচি ওইবা চীঞ্জাক ফংদবা অঙাংশিংগী মশীং চহী অসিদা য়াম্না হেনগৎলকখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং থুনা লৌখৎহৌদ্রবদি অঙাং লিশিং কয়া শিরকপা য়াবগী রিস্ক চাউনা লৈ।

কের্নিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সপ্লায়গী লম্বীদা অকায়বা লাকপদগী হৌখিবা জুনদগী আর য়ু টি এফ কোন্নদবগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্নরকখি। মসিনা অঙাং লাখ ১ হেনবগী পুন্সি খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লকখি। য়ুনিসেফনা হায় মদুদি, হৌজিক লৈরিবা শাথিবা ঈকংগী ফীভমনা মরম ওইদুনা চাফম থোকপা চীঞ্জাক চাবা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা সোমালিয়াগী অঙাং মিলিয়ন ১.৪ হেল্লে। অঙাং মশীং অসি লৈবাক অসিগী চহী ৫গী মখা ওইবা অঙাং পুম্নমক্কী তঙ্খায় অমরোমনি।


**FORMAT C-1**

*(for candidates to publish in Newspapers, TV)*

**Declaration about criminal cases**

*(As per judgement dated 25th September, 2018, of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate:
Salam Joy Singh
Samurou Awang Leikai, P.O./P.S. Wangoi
Imphal West District, Manipur - 795009

Name of Political Party : INDIAN NATIONAL CONGRESS
Name of Election : 12th Manipur Legislative Assembly Election, 2022
Name of Constituency : 22-Wangoi Assembly Constituency

I, Salam Joy Singh, a candidate for the above mentioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents :

**(A) Pending criminal cases**

| Sl. no. | Name of Court | Case No. and date | Status of case(s) | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) |
|---|---|---|---|---|
| 1 | In the Court of Spl. Judge, NIA, Guwahati, Assam | Spl. NIA Case No. 2/2012 | Pending. | U/S 19/39(2) of UA (P) Act, 1967<br>i) U/S 19-Whenever voluntarily harbours or conceals, or attempt to harbour or conceals any person knowing that such person is a terrorist shall be punishable with imprisonment for a term which shall not be less than three years but whichmay extend to imprisonment for life, and shall also be liable to fine : Provided that this section shall not apply to any case in which the harbour or concealment is by the spouse of the offender.<br>ii) U/S 39 (2) - A person, who commit the offence relating to support given a terrorist organisation under sub-section (1) shall be punishable with imprisonment for a term not exciding ten years, or with fine, or with both. |

**(B) Details about cases of conviction for criminal offences**

| Sl. No | Name of Court & date (s) of order (s) | Description of offence (s) & punishment imposed | Maximum Punishment Imposed |
|---|---|---|---|
| 1 | NOT APPLICABLE | NOT APPLICABLE | NOT APPLICABLE |

HL-P/1760/15,17,21